# মণিপুরদা হোক্কিগী স্পোর্টস একাদমি অমা লিঙবদা ওলিম্পিক মেদল লৌবা ঙম্বা শান্নরোয় শোইদনা পুথোকপা ঙমগনি



কে ঐচ প্রিয়োকুমার
*(হোক্কি-ষ্টেট কোচ)*

(ঙরাংগী মখা)

কোচ অমা ওইনা, মতম শাংনা অঙাংশিংগা লোইনজরকপদগী ঐখোয়গী অঙাংশিংদা করি করি স্পোর্টসকী ওইবা মগুনশিং য়াওবগে হায়বদুসু খরগীমখৈ ঐহাক খঙজৈ। শান্ন-খোৎনবসিদদি, ইন বোর্ন ক্বালিটি হায়বসিসু য়াম্না মরু ওই। মসিগুম্বা পোকপদগী লোইনজরকপা খরা য়াওবদুনা মণিপুরী মচাশিং অসিগী তোঙানবা খরা লৈজৈ। হোক্কি হায়রিবা মশান্না অসিগা ঐখোয়গী অঙাংশিংগদি য়াম্নসু চান্নে। হোক্কি শান্নবা মতমদা, মরু ওইনা চঙলিবা স্পিদ ইন্দুরেন্স অসি মণিপুরী মচাশিং ফজনা তৌবা ঙম্মী। মিটর ১০দগী মিটর ১৫ ফাওবদা হায় স্পিদতা শান্নবা ঙম্বা হায়বসি অমরোমদদি তোপ তোপ্পা মগুন অমনি।

অদুগা, য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী মখাদা 'ফিফ নেসনল গেমস ১৯৯৯'কী হেক মতুংদা আর সি সি লৈরকখিবা অসিসু তশেংনা কান্নে হায়জনিংই। রেগুলর কোচিং অসি হেক হৌদোরকপদগী ঐহাকসু চহী মরী/মঙারোমদি খুমন লম্পাক্তা লৈদুনা অঙাংশিং হোক্কিগী ট্রেনিং পিবা য়াওজরকখি। অদুদগী থৌবালদসু চহী মঙারোম লৈজরুরে। থৌবালদগী হল্লকপগা হৌজিকফাওবা খুমন লম্পাক্কী ষ্ট্রো টর্ফ হোক্কি ফিল্ড অসিদা অঙাংশিং কোচিং পীজরি। আর সি সি অসি কুমজা ২০০০সিদগী হৌরকখিবনি। অহানবা হৌরকপা মতমসিদা, অঙাং চাম্মা খরা হেন্না লাকখি। কোচিং অসিদা য়াওবা য়াননবা এদমিসন ফি ওইনা লৌরিবসিনা শুপ্পগী লুপা চাম্মা খক্তনি। হৌজিক্তী লেপ্তুনা চথরকপনা বেজ ৩৫ রক শুখ্রে। বেসিক নোলেজ খরা লৈননবা গ্রাস রুটতগী মখোঙ শেংনা তম্বীখিবা ঐখোয়গী অঙাংশিং মপান্দগী টেলেন্ট হন্টকী লাকখিবশিংনা য়াম্না পাম্না লোইনা পুখি। ঐখোয়গা থেংনহৌদবা প্লেয়র হায়রগদি খরা মাঙজৌননা শান্নখিবা ৰেষ্টর্ন রেলৰেজদা হান্ননা লৈখ্রবা মখোয় অহুম মরিখক্তনি। অতৈদি থেংনহৌদবা কয়া য়াওদে। ওলিম্পিয়ন থোকচোম অনুরধা, পুখ্রম্বম সুশিলা, চনচন, থোকচোম রঞ্জিতা, এস রঞ্জিতা, অমুবী, পিঙ্কি, মোনোরমা, সনরিক ..... আর সি সিদা লাক্লম্বা অঙাং ঙাক্তনি। খরা জুনিয়রদা হৌজিক হৌজিক নেসনল টিমদা য়াওরিবা সুমনসিসু আর সি সিদা কোচিং তৌরকখিবনি। বিচুসিনা থৌবালরোমদগী সাইদা লৈরগা শান্নরকখিবনি। মফমসিদগী ট্রেনিং খরা খরা ফংলবা মতুংদা, ভোপাল একাদমি, চান্দিগর একাদমি, গ্বালিয়র একাদমিদা লৈখ্রবা মতুংদা মমিং লৈনা শান্নবা ঙম্বা প্লেয়র ওইকরখিবা ঙাক্তনি। মপানগী একাদমি অমদবু হেক লৈবা ঙমখ্রবদি ইন্দিয়া কেম্পতসু ঐখোয়গী অঙাংশিং য়াম্না থুনা থুনা য়াওবা ঙম্লকই। মসিনা তাক্লিবদি, ঐখোয়গী অঙাংশিংগা হোক্কি মশান্নগা চান্নে হায়বনি। হৌজিক হৌজিক নেসনল টিমদা ঐখোয়গী নুপীমচা শান্নরোয়শিং পি সুশিলানচিংবসু য়াওরি। খরা জুনিয়র ওইরিবা থৌদাম সুমন, বিচুসু নেসনল সিনিয়র টিমদা য়াওননবা নক্লা লৈরি। নুপামচাশিংগীসু অদুমঙাই, ওলিম্পিক য়াওবা ঙমগদবা খরদি অদুম উবা ফংলি।

খুমন লম্পাক্কী ষ্ট্রো টর্ফ হোক্কি ফিল্ডদা হৌজিক হৌজিকসু অঙাংদি লেপ্তুনা ১০০দগী তাদনা লাক্লি। মখোয়সু চাং নাইনা ট্রেনিং পীরি। তম্বীবগী মওংসিদি চহীদা য়েংলগা গ্রুপ অহুমথোক্লা খায়দোকই। অহানবসিনা চহী ৮দগী ১১ ফাওবা অমা, চহী ১২দগী ১৫ ফাওবা অমা, চহী ১৬তগীনা খরা মথক ফাওবা সুমাইনা ট্রেনিংসি পীজৈ। চহী ৮দগীনা ১১ গী কাংলুপ অসিদি পুং ৬তগী তরেৎমখায় ফাওবা স্কিলশিং তম্বী। চহী ১২ শুখ্রবদি খরা ইমপ্রুভ লাক্লবনিনা, মদুদদি হোক্কি করম্না শান্নগদগে হায়বসি তম্বীবা হৌরে। চহী ১৬কী কাংলুপসিদদি হাপ্তা অমদা মেচ অনী/অহুম শান্নহন্দুনা হোক্কিগী মপুং ফাবা নোলেজ লৈহন্নবা হোৎনরে। ঐখোয়না খরা তাকচবা অসিদা খরা থৱায় য়াওবা অঙাংশিংদি ইমপ্রুভ তৌবসু য়াম্না থুই। ওজানা তাকপা মুন্না তাবা হায়বা ইনবা, দিসিপ্লিন লৈবা প্লেয়রশিংদি তাকপগা হেক্তসু হৈবা ঙম্মী। অদুগা খরা ফাওগদবা, থুনা শৎ হায়গৎলক্কদবা অঙাংসিদি তোঙান্না তাই। মখোয়গী অশেংবা মশকসি ওজাশিংনসু শৎ হেক্তা খঙবা ঙম্মী।

অমরোমদা, আর সি সি গুম্বদা তৌজরিবা ট্রেনিংসিদি শুপ্প গী বেসিক খরখক্তনি। একাদমি অমদা লৈরগা তৌবা ট্রেনিংগদি খেন্নবা খরা লৈগনি। একাদমি অমদা লৈহল্লগা তৌবা ওইরগদি চপ চাবা নুমিৎ খুদিংগী ওইবা রুটিন অমগী মখাদা লাক্কনি। অঙাংশিংগী তুম্বা চাবা লোইনমক অকক্নবা কাংলোন অমগী মখাদা তৌরক্কনি। মখোয়গী হেল্থ ফজনা খঙবা ঙমগনি। ৱার্দেন অমগী মখাদা ব্রেক ফাষ্ট, লঞ্চ, দিন্নর মফম মতম লোইনা নাইরক্কনি। শান্নরোয় অমনা চাবা য়াবা মথৌ তাবা পোৎলমশিং লোইনা চারক্কনি। তুম্বা মতমদসু পুঙ কয়া তুমগদগে, করম্বা মতমদনা হৌগৎকদগে হায়বসি লোয়নমক খায়দোরক্কনি। অদুনা হেল্থকী মওং য়েংলগা নোংমদা কয়ারক ট্রেনিং পীবা য়াগদগে হায়বসি ইরায় লায়না হোৎপা ঙমগনি। অঙাংশিংদসু পুন্না থল্লবনিনা ট্রেনিং তৌরকপা মতমদসু হেন্না খুদোং চাহল্লগনি। পুম্নমক অসি লৈবনা মণিপুরদা হোক্কিগী একাদমি অমা হাঙবা হায়বসি তঙাইফদবনি। হোক্কিগী একাদমি অমা হৌজিক ফাওবা থম্বা ঙমদবসি খ্বাইদগী লাইবক থিবনি।

মথং...মথং...





**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**হোক্কিদা মীৎয়েং অমা**

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৩

১) মহাক ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংখি। মহাক হভার্দ য়ুনিভর্সিটিদা "International Socialism and Schumann Plan" কৌবা থেসিস অমদা রিছার্স তৌখি। মহাক্কী মমিং করি কৌই?

২) ওলিম্পিক গেমসকী আইস হোক্কি শান্নবগী থৌরমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম অসি মেচ তরুক শান্নবদা তরুকমক পোখি। মখোয়না পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে, ফিনলেন্দগা শান্নবদা পাঞ্জল ১৪-১দা মায়থীখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী পাঞ্জল অমা চনখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং করি কৌবগে?



৩) অমুতোম্বী সিংহ, মনিরতন সিংহ, প্রেমকান্ত সিংহ, জোতিমোয় রোয়, ধনেন্দ্র সিংহ, শান্তিকুমার সিংহ। পীরিবা ফুটবোলগা মরী লৈনবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা মান্নদবা অমা খন্দোকউ।

৪) মিটর ১০০গী লমজেল তান্নবদা নুপা অসিনা ফার্স্ত তারিবা লমজেলোয় অদুগী মতম (তাইমিং) লৌই। অহানবা নিপা অদুগী ঘরিগী মতমনা সেকেন্দ ১১.৩নি। অনিশুবা নিপা অদুগী ঘরিগী মতমনা সেকেন্দ ১১.৪নি। করম্বা নুপানা পাইরিবা ঘরিগী মতমনা ওফিসিয়েল তাইমিং (Timing) ওইগনি।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## সেনিয়র নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা ৱর্ল্ড বোক্সিংদা মেদল ফংলকখ্রবা অমিট অমসুং মনিস য়াওদবা য়াখ্রে

ন্যুদিল্লি, সেপ্টেম্বর২৩(এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়াগী ষ্টেট হিমাচল প্রদেশকী কোনুং সিমলাদা মথং থাগী ৪দগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সেনিয়র নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২১০৯দা হন্দক্তা রসিয়াগী সিটি ইকাটেরিনবর্গতা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিনশিপ্তুনা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জল মেদল ফংলকখ্রবা অমিট পনঘল অমসুং মনিস কোসিক শরুক য়াদ্রবসু য়ারগনি হায়খ্রে।





নীংশিংবা য়াই, অমিট পনঘলনা কিলোগ্রাম ৫২গী কেটিগোরিদা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবনি। অমরোমদা মনিস কোসিকনা কিলোগ্রাম ৬৩গী কাংলুপ্তা সেমীফাইনেলদা মায়থীহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌবনি। ৱাফম অসি অমিট কুমার পনঘল মশামক্তা ঙসি ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা পাউগী এজেন্সি অমদা ৱারি শান্নবদা ফোঙদোকখিনি।

ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসি থাক য়াম্না ৱাংবা টুর্নামেন্ট অমা ওইবা মরম্না ইন্দিয়াগী সেনিয়র বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াবগী মহৎ পোথাহনখিবনি হায়রি।

ৱাফম অসি অচুম্বনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা ইন্দিয়া নুপাগী বোক্সিংগা হায় পর্ফোমেন্স দিরেক্টর ওইরিবা সান্টিয়াগো নৈভানা হায়খিবদা নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা রসিয়াগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াখিবা বোক্সরশিংগী মনুংদা কিলোগ্রাম ৭৫গী কাংলুপ্তা অনীশুবা রাউন্দদা লৈহৌবা অসিস কুমারদি শান্নবা য়াওগনি হায়রি।

## সাউথ অফ্রিকানা ইন্দিয়াবু ৩শুবা টি-২০ মেচতা ৱিকেট ৯দা থোইদুনা মেচ ৩গী সেরিজ ১-১দা দ্রো চৎখ্রে

বেঙ্গালুরু, সেপ্টেম্বর২৩(এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়াদা সাউথ অফ্রিকাগী ক্রিটেক টিমনা শান্নরিবা টুরগী মনুং চনবা টি-২০গী ঙরাং অথেংবদা বেঙ্গালুরু সিটিগী এম চিনাস্বামি ষ্টেদিয়মদা লম্বা তৌনখিবা ৩শুবা মেচ অদু সাউথ অফ্রিকানা য়াম্না হেন্দুনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৯দা মায়থীবা পীদুনা মেচ ৩গী সেরিজ ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।




মেচ অদুগী টোস অদু ইন্দিয়ান কেপ্টেন ভিরাট কোলিনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখিবদা ওভর ২০দা ৱিকেট ৯ তুরগা শুপ্পগী রন ১৩৪ খক লৌখি। ইন্দিয়াগী বেটচমেনশিং অদুবু সাউথ অফ্রিকাগী বোলরশিংনা খুদুম চন্না শান্নবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সিখর ধৱননা বোল ২৫দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৩৬ লৌখিবা অদু নত্তনা অতোপ্পা বেটচমেন অমত্তা রন ২০ য়ৌবা ঙমখিদে। ৪শুবা বেটচমেন রিসব পন্ত অমসুং ৮ শুবা বেটচমেন রবিন্দ্রা জাদেজানা রন ১৯/১৯ লৌখিবা অদুনা ইন্দিয়াগী ইনিংস অদুদা পনবা য়াবা স্কোর ওইখি।

দবল ফিগর য়ৌখিবা অতোপ্পা বেটচমেন অদু ৬ শুবা পোজিসনদা শান্নখিবা রন ১৪ লৌখিবা হর্দিক পন্দিয়ানি।

সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী বোলর কাগিসো রবাদানা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোলিবু রন ৯দা আউট তাহনখি। মহাক্লা মখাদা তানা হর্দিক পন্দিয়া অমসুং রবিন্দ্র জাদেজাবু আউট তাহন্দুনা টিম অদুগী খ্বাইদগী ফজবা বোলর ওইখি।

মহাকপু চাওনা মতেং পাঙখিবা সাউথ অফ্রিকাগী অতোপ্পা বোলর অনী অদুদি ইন্দিয়াগী বেটচমেন ২/২ আউট তাহনখিবা বিয়োন ফোট্যুন অমসুং ব্যুরেন হেন্দ্রিক্সনি। ফোট্যুননা ইন্দিয়াগী রন ১৯ লৌখিবা রিসব পন্ত অমসুং রন ৫ খক লৌখিবা শ্রিয়াস আয়রবু আউট তাহনখি। অমরোমদা হেন্দ্রিক্সনা ইন্দিয়াগী ওপনর রোহিত শর্ম্মবু রন ৯দা আউট তাহল্লবা মতুং ক্রুনল পন্দিয়াবু রন ৪দা আউট তাহনখি।

সাউথ অফ্রিকানা মেচ অদু মায় পাক্লনবা রন ১৩৫গী টার্গেট অদু শুপ্পগী ৱিকেট অমখক তুরগা ১৭ শুবা ওভরগী ৫ শুবা বোলদা রন ১৪০ লৌদুনা মেচ অদু ৱিকেট ৯দা থোইবা ঙমখি।

টিম অদুগী মায়কৈদগী রিজা হেন্দ্রিক্স অমসুং কেপ্টেন ক্যুইটোন দিকোকনা য়াম্না ফজবা মওংদা ইন্দিয়াগী বোলরশিং অদুবু মায়োক্ল রকখি। অহানবা ওভর ১০ অদুদা মখোয় অনীমক আউট ওইদনা শান্নরকপদা রন ৭৬ লৌখি। হেন্দ্রিক্স বোল ২৬তা রন ২৮ লৌরল্লগা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শীল্লকখিবা টেম্বা বাভুমা অমদি ক্যুইটোন দিকোকনা মখা তানা আউট ওইদনা মায় পাকপগী টার্গেট অদু য়ৌখি। ক্যুইটোন বোল ৫২দা সিক্স ৫ অমসুং ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৭৯ লৌখি।

## ইন্দিয়াগী দিবিজ সারন সেন্ট পিটর্সবর্গকী দবলসকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে, সিঙ্গলসনা রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবনা লৌখ্রে

সেন্টপিটর্সবর্গ, সেপ্টেম্বর২৩(এজেন্সী)ঃ রসিয়াগী সিটি সেন্ট পিটর্সবর্গতা পাঙথোকপা এ টি পি টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলস টাইটল অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোয় দিবিজ সারননা মহাক্কী পেয়র স্লোভাকিয়াগী শান্নরোয় আইগোর জেলেনিনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে। অদুগা সিঙ্গলসকী টাইটল অদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু রসিয়াগী শান্নরোয় দানিল মেদবেদেবনা ফংখ্রে।




ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেন্ট পিটর্সবর্গ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেচ অদদুদা ইন্দিয়াগী দিবিজ সারন অমসুং স্লোভাকিয়াগী আইগোর জেলেনিনা ইটালিগী পেয়র মাটিও বেরেনেটি অমসুং সাইমোন বোলেলিবু পূং অমগা মিনট ১৭ চঙনা শান্নখিবা লম্বা অদুদা সেট ২-১দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা ইন্দিয়া অমসুং স্লোভাকিয়াগী শান্নরোয় অনীনা ইটালিগী পেয়র অদুবু লম্বা পীখিবদা সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-৩দা মায়পাক্লবা সেট অমা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা সেটতা পেয়র অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না পুথোক্লখ্রবসু অহানবা গেম ৬ লোইশিনখিবদা ইন্দিয়া অমসুং স্লোভাকিয়াগী শান্নরোয় অদুনা মায়োক্লবা পেয়র অদুগা গেম ৩-৩দা মান্নদুনা লৈখি।

সেট অদুগী মখাতারকপা মতমদা ইন্দিয়া অমসুং স্লোভাকিয়াগী পেয়র অদুগী সার্ভিস গেম অমা ইটালিগী পেয়র অদুনা ব্রেক তৌদুনা অমদি মখোয়গী মখাতাবা সার্ভিসশিং হোল্ড তৌবা ঙমদুনা সেট অদু ৬-৩দা থোইদুনা ফাইনেল মেচ অদুদা সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অরোইবা দিসাইদিং সেট অদুদা পেয়র অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না মান্নদুনা শান্নরক্লবা মতুং সুপর টাইব্রেক্তা মায়পাকপা পেয়র অদু মশক খঙদোক্লবা হোৎনখি।

গেম ১০ য়ৌবা হানবা তান্নখিবা ফাইনেল সেট অদুসু মায়কৈ অনীদগী মখাতানা লম্বা অদুম্মক মান্নদুনা লৈখি।

য়াম্না মান্না শান্নরক্লবা মতুং গেম ৮-৮দা লৈনরিঙৈ ইন্দিয়া অমসুং স্লোভাকিয়াগী পেয়র অদুনা থংনবা গেম অনী মায়পাক্তুনা ১০-৮দা মায়পাকখিবতা নত্তনা সেন্ট পিটর্সবর্গ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী দবলসকী টাইটল লৌখি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী দিবিজ সারন অমসুং স্লোভাকিয়াগী আইগোর জেলিনেনা হন্দক্কী টাইটল অসিনা মখোয়গী অহানবা এ টি পি টাইটল ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা য়ুম্বু লৈবা রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবনা ক্রোসিয়াগী শান্নরোয় বোর্না কোরিকপু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

মালেমগী নুপাগী টেন্নিস শান্নরোয়শিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা ৪শুবদা লৈরিবা রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেটতগী হৌরগা ক্রোসিয়াগী শান্নরোয় অদুবু খুদুম চন্দুনা লৈখি।

অহানবা সেট অদুদা ক্রোসিয়াগী শান্নরোয় অদুগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইখি। সেট অমা মাংজিল থারবা মতুং অনীশুবা সেট অদুদা মহাক্কী মায়কৈদগী হেন্না ফজদুনা ৬-১দা সেট অদু থোইদুনা সেন্টপিটর্সবর্গ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

## চাইনা ওপনদা অফবা পর্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিদবা অদু কোরিয়া ওপনদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন পি ভি সিন্ধুনা ফুগৎনবা হোৎনগদৌরি

KOREA OPEN 2019

ইঞ্চিওন, সেপ্টেম্বর২৩(এজেন্সী)ঃ হয়েংদগী সাউথ কোরিয়াগী সিটি ইঞ্চিওনদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু এস দোল্লর ৪০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা সুপর ৫০০ কেটগোরিগী বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপীগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবী পি ভি সিন্ধুনা হন্দক্তা লোইশিনখিবা চাইনা ওপনদা ঙন্না মায়থীদুনা ফজবা ঙমখিদবা অদু ফুগৎনবা হোৎনগদৌরি।




পনবা য়াই, হৌখিবা চয়োলদা চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌবনি। মহাকপু থাইলেন্দগী শান্নরোয় পোর্নপাৱি সোচুওংনা মায়থীবা পীরম্বনি।

পি ভি সিন্ধুনা কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা য়ু এস এগী শান্নরোয় বৈৱেন ঝাংগা লান্বা তৌনগদৌরি।

পনবা য়াই, বৈৱেন ঝাংবু সিন্ধুনা স্বিজর্লেন্দগী বাসেলদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা মায়থীবা পীখিবা অদুতা নত্তনা হৌখিবা চহীদা ইন্দিয়া ওপন অমসুং দেনমার্ক ওপনদা থোইবা ঙমখি। করিগুম্বা সিন্ধুনা বৈৱেন ঝাংদা অহানবা রাউন্দদা মায়থীবা পীবা ঙল্লবদি অনীশুবা রাউন্দদা মহাকপু চাইনা ওপনদা মায়থীবা পীরম্বী থাইলেন্দগী পোর্নপাৱি সোচুওংগা লম্বা তৌনবা য়াবগী তাঞ্জা অমা ফংলি।

কোরিয়া ওপন অসিদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা অহানবা রাউন্দদা কোরিয়াগী কিম গা উনগা লম্বা তৌনগদৌরি। নুপাগী কাংলুপ্তা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী চহী ৩৬কী মতুংদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা মেদল ফংবা ঙমখিবা বি সাই প্রনিথনা দেনমার্ককী এন্টোনসেনগা লম্বা তৌনগদৌরি।

## লেভর কপ টেন্নিস টাইটল অদু টিম য়ুরোপনা টিম ৱর্ল্ডবু পোইন্ট ১৩-১১দা থোইরগা লৌবা ঙমখ্রে

জিনিভা, সেপ্টেম্বর২৩(এজেন্সী)ঃ টেন্নিস মশান্নগী ওইবা টোপ টোপ্পা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা য়ুরোপকী নুপাগী টেন্নিস শান্নরোয় অমদি অতোপ্পা লৈবাক্কী টিম ৱর্ল্ডগা শান্নবা টুর্নামেন্ট অদুদা টিম য়ুরোপনা টিম ৱর্ল্ডবু পোইন্ট ১৩-১১দা থোইরগা টাইটল লৌখ্রে।



থা অসিগী ২০দগী হৌখিবা নুপাগী সিঙ্গলস মেচ ৯ অমসুং দবলসকী মেচ ৩না পুল্লগা মেচ ১২গী লম্বা অদুদা ঙরাং অথেংবদা টিম য়ুরোপপু টিম ৱর্ল্ডনা পোইন্ট ১১-১০দা হেন্দুনা লৈখিবনি। অদুবু ঙরাং অথেংবগী মেচ অদুদা জর্মনিগী শান্নরোয় অলেকজেন্দর জোইরেপনা কানাদাগী শান্নরোয় মিলোস রাউনিকপু ৬-৪, ৩-৬, ১০-৪দা থোইদুনা পোইন্ট ৩ ফংখিবগা লোয়ননা অপুনবা পোইন্ট ১৩-১১দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

টিম য়ুরোপকী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি রোজর ফেদরর, রাফেল নদাল, অলেকজেন্দর জোইরেব, দোমিনিক থিয়েম, ষ্টিফানোস সিসিপাস অমসুং ফাবিয়ানো ফোগনিনি। অদুগা টিম ৱর্ল্ডগী মায়কৈদগী শান্নখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি জোন ইসনর, জেক সোক, টেল্লর ফ্রিটস, নিক কিরগিয়োস, মিলোস রাউনিক অমসুং দেনিস সাপোভালোপনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চহী খুদিংগী য়ুরোপকী অফবা নুপাগী শান্নরোয় অমদি অতোপ্পা লৈবাকশিংগী শান্নরোয়গা শান্নবনি।